জপান্দা খ্বাইদগী কনবা টাইফুন চঙশিল্লক্লে মীওই মিলিয়ন কয়া হোংদোকহনখ্রে

টৌকিও, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ

জপান্দা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা টাইফুন হুমজিল্লকপগা লোয়নননা ওফিসলশিংনা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে। মীওই মিলিয়ন কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা হোন্দোকখিনবা খঙহনখ্রে।

টাইফুন জেবি কংফালগী শরুক্তা য়ৌশিল্লকখিবগা লোয়নননা পুংদা কিলোমিটর ১৭২ য়াংনা নুংশিৎ শিৎলি। মদুদা নত্তনা লমদম অদুদা অকনবা নোং চুহল্লি হায়রি।

টোকিওগী মফম কয়াদা লৈবা রেলৱে ষ্টেসনশিংগী য়ুমথক্কী শরুকশিং হুমদোকখ্রে। মদুদা নত্তনা টেঙ্কর কয়াসু খুদোংথিবা নংখ্রে। কেৱোদো ন্যুজনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিহনখ্রে। নোংলৈ-নুংশিৎ অদু অৱাং পাংনা চঙশিল্লকপগা লোয়নননা মপাঙ্গল শোন্থরল্লবা য়াই হায়রি।

সাইকোকু ঈথৎতা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতমদা নোংলৈ-নুংশিৎ অদু য়ৌশিল্লকখি। লোয়নননা জপানগী খ্বাইদগী চাউবা ঈথৎ অমা ওইরিবা হোন্সুদসু নোংলৈ-নুংশিৎ অদু য়ৌশিনখ্রে। সমুদ্রগী অৱাংবা ঈথক কারকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে। লমদম অদুদা ঈচাউ অমসুং মদস্লাইদ কয়া থোক্লবা য়াই হায়রি।

নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা চঙশিল্লকপা য়াবা লম্বী পরিংদা লৈরম্বা মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। জেবি ঈথৎনা হন্দক চঙশিল্লকখিবা চহী ২৫ গী মতুংদা খ্বাইদগী কনবা নোংলৈ- নুংশিৎ অদুনা অহানবা ওইনা শোকহনবা মফম ওইরে। নোংলৈ-নুংশিৎ অদু অসুক্কী মতিক কল্লি। কেৱোদোগী রিপোর্ট মতুংইন্না কুমজা ১৯৯৩ দা হন্দক চঙশিল্লকখিবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুগা মপাঙ্গল মান্নবা নোংলৈ-নুংশিৎ হুমজিল্লকখিবা মতমদা মীওই ৪৮ গী পুন্সি মাঙখ্রে। হৌজিক নোংলৈ-নুংশিৎ অদু কংফালগী লম য়ৌশিল্লকখিবগা লোয়নননা ফ্লাইট, ট্রেন অমসুং ফেরি সার্ভিস কয়া কেন্সেল তৌখ্রে। জপানগী ওসাকাদা লৈবা কানসাই ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী রনৱেশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে হায়রি।

জপানগী য়ুনিভর্সেল ষ্টুদিও হায়না খঙনবা লমদম অদুগী মীয়াম্না মশক খঙলবা এমুজমেন্ট পার্ক অদুসু থিংজিনখ্রে। ওথোরিটিনা জপানগী ওসাকা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লেন্দস্লাইদ কয়া থোক্লকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

সিরিয়া লান : রসিয়ানা ইদলিবতা অমুক হন্না এয়র ষ্ট্রাইক চথবা হৌখ্রে, মীওই কয়া চেন্নখ্রে

ইদলিব, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ

সিরিয়াদা অকনবা সিবিল ৱার থোকপনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরম্বা মীওই মিলিয়ন কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। ইদলিব খক্তদা লৈরম্বা মীওই মিলিয়ন ২.৯ ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা চেন্নখ্রবনি।

রসিয়াগী লানগী প্লেনশিংনা রিবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা সিরিয়াগী ইদলিব প্রোভিন্সতা অমুক হন্না এয়র ষ্ট্রাইক চথবা হৌখ্রে। চয়োল কয়া সিরিয়াগী মফম কয়াদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবা লেপ্লুরবা মতুং নৌনা রসিয়ানা ইদলিবতা এয়র ষ্ট্রাইক চথবা হৌখ্রে।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল অসদতা অকনবা ৱার্নিং তৌদুনা ইদলিবতা মথোং মরম খঙদবা এটেক চথদনবা খঙহনখিবা লৈখি। ক্রেমলিনগী ৱাঙাঙলোয় দামিট্রি পেস্কোভনা য়ু এসনা তৌরকখিবা ৱার্নিং অদু রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়নননা সিরিয়াদা টেররিষ্টশিংগী মকোন শাফম লৈহল্লোই। খুদিংমক শেংদোক্লবা শেম-শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে। পেস্কোভনা মখা তানা হায়, অল কাইদাগা শন্নবা জিহাদি ফাইটরশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা ইদলিবতগী সিরিয়াদা লৈবা রসিয়া মিলিটরি বেজশিংদা শিংনরকপা কয়া থোকহল্লে। লৈবাক অদুদা চহী তরেৎ চুপ্পা সিবিল ৱার থোক্লিবা অদু লোইশিন্নবা অমদি পোলিটিকেলগী ওইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈরে। য়ু এননসু ইদলিবতা এটেক চথবগী মতাংদা ৱার্নিং তৌখিবা লৈখ্রবনি। ইদলিবতা হৌজিক মীওই মিলিয়ন কয়া খুন্দাদুনা লৈরিবনি। লমদম অদুদা এটেক চথবা নৎত্রগা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা থোকহনবনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা অমা ওইহনগনি। ওইরিবা ফীভম অদু লাকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

লৈবাক অদুদা লৈরম্বা মীওই ৮,০০,০০০ ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি। অদুগুম্বা মীওইশিং অদুদা মতেং পাংবগী তঙাইফদবা লৈ। হৌজিকফাওবদা ময়ুম-মকৈথাদোক্তুনা চেন্নখিবা মীগী মশিং তম্না ঙমদবা মওংদা হেনগৎপগী ফীভম অমা মায়োক্লরি। সিরিয়াদা হৌখিবা চহী তরেৎলোম অসিদা সিবিল ৱার থোকপনা মরম ওইরগা মীচম কয়া অৱাবা মায়োক্লরি। লৈবাক অদুদা লৈরম্বা মীওই কয়া মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা রেফ্যুজি ওইনা চঙজফম থিরি হায়রি।

মৈ চাকখ্রবা ব্রাজিলগী ম্যুজিয়ম শেমগৎনবা শেল থাদনবা হায়জখ্রে

রাইও দি জেনরিও, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী): ব্রাজিলগী কোনুং রাইও দি জেনরিওদা লৈবা নেসনল ম্যুজিয়ম অমুক হন্না শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক তোঙান তোঙানবা কম্পেনি অমসুং বেঙ্কশিংনা মতেং পাংবীরক্লবা ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট মাইকেল টেমরনা ঙসি হায়জখ্রে।

লৈবাক অদুগী কোনুংদা লৈবা লিরবা পোৎলম কয়া থল্লিবা নেসনল ম্যুজিয়ম অদু ঙরাং মৈনা তুম্না চাকখ্রে। হায়রিবা ম্যুজিয়ম অদু শেমগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা শেনফম অমা চঙগনি হায়রি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রোসিলি সোরেসনা মালেমগী লৈবাক কয়াদসু মতেং পাংবীরক্লবা হায়জখ্রে। লোয়নননা য়ু এনগী কলচরেল বোদি অমসুং য়ুনেস্কোগসু ৱারী শানখ্রে হায়রি। ওফিসল ওইবা পাউ অমগী মতুংইন্না ম্যুজিয়ম অদুদা খোমজিন্দুনা থমখিবা তাঙলবা পোৎলম চাদা ৯০ মাঙ-তাকখ্রে। লৈবাক অদুগী নেচরেল হিষ্টরিগা মরী লৈননা লিরবা অরিবা পোৎলম কয়া ম্যুজিয়ম অদুদা তুংশিন্দুনা থমখিবনি। চহী লিশিং ১২ রোম শুরবা নুপীশিংগী পোৎলম-মীয়াম্না লুজা হায়না খঙনবশিং তুংশিন্দুনা থমখিবনি। প্রসিদেন্ট টেমরগী ওফিসনা ফোঙদোরকখিবদা, ব্রাজিলদা লৈবা বেঙ্ক অমসুং অচৌবা লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওইশিংনা ম্যুজিয়ম অদুবু অথুবা মতমদা শেমগৎপা ঙম্মনবা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রোসিলি সোরেসনা হায়, ফেদরেল গভর্ণমেন্ট অদুনা ম্যুজিয়ম অদু অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎপা অমদি মাঙ-তাকখ্রবশিং অদু খোমজিন্নবা হোৎনবদা পাউন্দ মিলিয়ন ২.৮ চঙগনি হায়না পান্নরি। মৈ অদু ইলেক্ট্রিক সোর্ট সার্ক্যুট থোকপদগী হৌরকখিবা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

অফঘান মিলিটেন্ট নেটৱার্ক লিংখৎলম্বা জলালুদ্দিন হকানি মতম শাংনা লায়কন্নরল্লবা মতুং লৈখিদ্রে লাউথোকখ্রে

কাবুল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ

হকানি মিলিটেন্ট নেটৱার্ক লিংখৎলম্বা জলালুদ্দিন হকানি চহী কয়া নাদুনা লায়কন্নরকখ্রবা মতুং লৈখিদ্রে হায়না অফঘান টালিবান্না ঙসি লাউথোকখ্রে।

জলালুদ্দিন হকানি অফঘানিষ্টান্দা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌরম্বা মীওইনি। মহাক টালিবান অমসুং অল কাইদাগা নক্লবা মরী লৈনৈ। মহাক্কী মচানুপানা কুমজা ২০০১ দগী মহুৎ শিন্দুনা নেটৱার্ক অদু কন্ট্রোল তৌদুনা লাকখি। হকানি নেটৱার্ককী থৌশিল মখাদা অফঘানিষ্টানদা এটেক চথখি। লোয়নননা অফঘানিষ্টান্দা লৈবা নোর্থ অন্টলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাতো) দা এটেক কয়া চথখি হায়রি।

অদুম ওইনমক হকানি লৈখিদবা অদু করম্বা মফমদা লৈখিদবনো অমসুং করম্বা নুমীৎতা শিখিবনো হায়বা চপ চানা ফোঙদোরকখিদে হায়রি। মহাক্লা

নহা ওইরিঙৈ মতমদা অলাদা থাজবা থম্বগা লোয়নননা লাইনিং-লীচৎকী ওইবা লম্বীদা হকচিনবা থবক কয়া তৌরমখি। মতম শাংনা নাদুনা লৈরক্লবা মতুং মহাক লৈখিদ্রে হায়না টালিবানশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

নাকল অমরোমদা, হকানি নেটৱার্ককী লুচিংবা অদু চহী খরগী মমাঙদা লৈখিদ্রে হায়না তোকঙা শন্দোরকপসু লৈখি। কুমজা ২০১৫ দা বি বি সী ন্যুজনা রিপোর্ট তৌখিবদা মহাক লান্মীগী ষ্ট্রাইক্তা লৈখিদ্রে হায়খিবনি। অদুম ওইনমক মহাক শিখ্রে হায়বদু চপ চানা কনফার্ম তৌবা ঙমখিদে হায়রি। জলালুদ্দিন হকানিনা অফঘানিষ্টান্দা গোরিলা ৱার ফেয়র চথুদুনা অফঘানিষ্টানগী মফম কয়াদা খুদুম চন্দুনা লৈরম্বা সোভেটকী লান্মীশিংনা থেংনখি হায়রি।

কুমজা ১৯৮০ দা অফঘানিষ্টানগী মফম কয়া সোভেটকী লান্মীশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরমখি। লান্মীশিং অদু তকথোক্লবগীদমক হকানিনা অকনবা লান হৌখি হায়রি। য়ু এস ওফিসলশিংনা চহী খরগী মমাঙদা লুচিংবা অদু শিখ্রে হায়না ফোঙদোক্লরকখিবা ৱাফমশিং কনফার্ম তৌদে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। কুমজা ১৯৯৬ তা টালিবানশিংনা অফঘানিষ্টানগী লৈঙাক পায়খি। মতম অদুদা মহাক টালিবানশিংগা চুংশিন্নবা মীওই অমা ওইখিবনি। টালিবানশিংনা জলালুদ্দিনবু ৱারিয়র অমনি হায়না শিংথাবগা লোয়নননা অখন্নবা মতিক ময়াই লৈবা জিহাদি অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

দোনাল্ড ত্রম্পনা রিপব্লিকান প্রোসিক্যুসনগী মথক্তা এটেক চথখ্রে

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী):

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা এটোর্নি জেনরেল জেফ সেসন অমসুং জষ্টিস দিপার্টমেন্টতা অকনবা এটেক চথখ্রে। য়ু এসকী মিদ টার্ম মীখল পাঙথোক্লবগী মতাংদা মতিক চাবা মীওই অমা খন্নবা ফাইল তৌরকখি হায়নসু মরাল শিরি।

মীওই অমনা মীখল অদুগীদমক ভোট খোম্বগী থবক চথবদা কাঙলোন লান্না চথৈ। লোয়নননা মীওই কয়া লৈননবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিখ্রে। দোনাল্ড ত্রম্পনা জষ্টিস সিষ্টেমদা খুৎ থিংজিন্নবা হোৎনরকপগী মতাংদা লৈবাক অদুদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরকখি। দোনাল্ড ত্রম্পনা মহাকপু থাজবা মীওই অমবু এটোর্নি জেনরেল ওইহন্নবা হোৎনরি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি মহৌশাগা মান্নদবা ফীভম অমনি হায়রি।

লৈবাক অদুগী মিদ টার্ম মীখল নবেম্বর ৬ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লবা শেম-শারি। দিমোক্রেটশিংনা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবপু রিপব্লিকানশিংগী মখুৎতগী মুন্নবা হোৎনরি। মমাঙ থাদা রিপ্রজেন্টেটিব খৃষ্টোফর কোলিননা মী লৈবগী থৌশিল কয়া হাউস মনুংদা চথখি হায়না মরাল শিবসু লৈরি। অদুম ওইনমক লুচিংবা অদুনা অরানবা থবক অমত্তা তৌখিবা লৈতে। মীখলগা মরী লৈননা কনাগুম্বা অমত্তদা হায়জখিবা লৈতে হায়রি। ওগষ্ট থাদা রিপ্রজেন্টেটিব দনকান অমসুং মহাক্কী লোয়নবীনা মীখল অদুগীদমক কাঙলোন চুমদনা ভোট খোমখি। লোয়নননা মদুগীদমক মরন্নাই ওইনা শেল কয়া থাদখি হায়না মরাল শিরি। অদুম ওইনমক মখোয় অনীনসু শিরক্লিবা মরাল অদু য়াদ্রিবনি হায়রি। মীওইশিং অদু মমাঙদদি দোনাল্ড ত্রম্পপু প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা হোৎনবদা শৌগৎখিবা মীওইশিংনি হায়রি।

কাইরোগী য়ু এস এম্বেসি মনাক্তা বোম পোকখায়খ্রে

কাইরো, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী):

ইজিপকী কোনুং কাইরোদা লৈবা য়ু এস এম্বেসি মনাক্তা বোম পোকখায়খ্রে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইজিপসিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সনা চিংনবা মীওই অমা ফারে হায়রি।

সিক্যুরিটি ফোর্সকী পাউ মতুংইন্না মীওই অদুনা খাউ অমা পুরক্লবা মতুং কাইরো সিটিদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিগী মনাক্তা বোম অদু পোকখায়হনখিবনি হায়রি। এম্বেসিগী পাউ মতুংইন্না পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে। লোয়নননা এম্বেসিগী থবক থৌরমশিং মখা তানা মহৌশাগী ওইবা ফীভমদা চথবা হৌহনখ্রে হায়রি। ইজিপকী তোঙান তোঙানবা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা বোম পোকখায়খিবগী শক্তম উৎপা ফোটো কয়া থাগৎনরকপা লৈরে। বোম পোকখায়খ্রবা মতুং মফম অদুদগী মীওই অমা চেন্থোকখিবগী শক্তম অমসুং থাগৎনরকখি হায়রি।

মীৎনা উহৌবা মীওই অমনা রোইটর ন্যুজদা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক্লা পোকখায়বগী অহৌবা মখোল অমা তাখ্রবা মতুং মীওই অমা মফম অদুদগী চেন্থোরকপা উখি। মহাক্লা পুরকখিবা খাউ অমা মৈ চাকপসু উখি হায়রি। মীওই অদু সিক্যুরিটি ফোর্সনা নমশিন্দুনা ফাখি। লোয়নননা মৈ অদু মুথৎখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই কয়া অশোক অপন নংখ্রবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। কাইরোগী গার্দেন সিটি অদুদা য়ু এসকী এম্বেসি খক্তা নত্তনা বৃটিশ অমসুং জপানিজ এম্বেসিশিংসু লৈরিবনি হায়রি। মীওই অদুনা করিগীদমক বোম অদু পোকখায়হনখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক পুলিসনা চপ চাবা থবক লৌখৎতুনা মীওই অদু ফাখি হায়রি।

ꯃꯥꯡ/MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of Hr. Secondary Examination, bearing Roll No. 15983 of 2016 issued by COHSEM, on the way from Chingmeirong to Haobam Marak Irom Leikai on 22nd August, 2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Jayadeep Keisham**
Haobam Marak Irom Leikai
☎ **8416004504**

HL-P/2089/5

ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ

EMPLOYMENT NEWS

ইম্ফাল অমসুং মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী ওইনা Permanent Official Post কীদমক মীওই (নুপা/নুপী) পুন্না **Candidate 71** গীদমক থবক্কী দরখাষ্ট কৌজরি। থবক অসিগীদমক মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা Class X, XII অমসুং Graduation পাস তৌরবা অমদি তল্লিবা মীওইশিংনা Apply তৌবা য়াগনি।

Monthly Income : **₹10,000/- to ₹30,000/-**
Facility : **Fooding + Lodging + Free Tour**
Visiting Hr: **12 noon to 3 pm.**

অকক্লবা পোষ্ট মশীংনি। Apply তৌবীনিংবশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক ইশাগী Bio-data পুবিরল্লগা ওফিসতা তান্নবীয়ু।

☞ **NO DEPOSIT REQUIRED**

Contact : ☎ **9774986962, 8414834122**

HL-P/3615/28,30Aug&3,5sep.

মণিপুর ইন্দষ্ট্রিজ য়ুনিয়ন, ইম্ফাল

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

য়ুনিয়ন অসি লীংখৎখিবা চহী ৪০ শুরকপগী কুমওন থৌরম অসি লাক্লিবা নবেম্বর ১৮ দা থোক্লে। থৌরম অসিদা "সৌভিনিয়র" অমা ফোঙগদৌরি। ফোঙগদৌরিবা অসিদা য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংনা রেকোর্ড ওইহৌনবা ৱার্কশোপকী থবক থৌরমশিং সৌভিনিয়র অসিদা হাপ্পীনিংহৌবশিংনা অমসুং লন্নাই এন্টরপ্রাইজ অমদি গভর্নমেন্ট এজেন্সীশিংনা ফোকস তৌবীনিংবশিংনা য়ুনিয়নগী ওফিসতা লাকপীদুনা সাইজ খনবীরনবা লাক্লিবা তাং ২০/০৯/২০১৮ ইং, ফাওবদা অকুপ্পা মরোল লৌবীরনবা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবাঃ অসেম সনজোয় সিংহ
জেনরেল সেক্রেটরি
মণিপুর ইন্দষ্ট্রিজ য়ুনিয়ন, ইম্ফাল
☎ **9856437015 / 8974009753 / 9612167042**

HL-P/5329/5

ꯑꯔꯥꯕ/অৰাবা ফোঙদোকচবা

Floral Tribute
Late Merajao Golmei
"The Song has ended but the Melody Lingers on"

খুরাই কেন্দ্র কোঙ্গ্রেসকী ৩/৭ পোলিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইবীরম্বা **গোলমৈ মেরাজাও,** সওম্বুং সাইরেম কবুই খুন্নৌদা লৈবনা তাং ২৯/০৮/২০১৮ ইংদা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা খুরাই ব্লোক কোঙ্গ্রেস কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা মীনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱাইনা লাইরমলেনদা ঈংনা চিক্লা নুংঙাইনা লৈরুনবা অৱাবা ফোংবা মীফম অমা ইকাইখুম্নজরবা হান্নগী খুরাই কেন্দ্রগী M.L.A. Dr. Bijoy Singh, I.N.C. Member অমসুং শ্রী কুমাবম সনাজাওবা সিংহ, প্রসিদেন্ট খুরাই ব্লোক কোঙ্গ্রেস কম্মিটি, শ্রী পি. রঞ্জিৎ সিংহ, রিটায়র্দ কম্মান্দেন্ট (MR), না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইবীদুনা তাং ২/০৯/২০১৮ ইংদা পাঙথোকখ্রে। লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **K. Sanajaoba Singh**
President,
Khurai Block Congress Committee

HL-P/5328/5

MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of HSLC Examination, bearing Roll No. 1088 of 1996 issued by BOSEM, on the way from Nambol to Imphal on 30th August, 2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Irom Arunkumar Singh**
Nambol Kabowakching
☎ **9856337103**

HL-P/2090/5

[illegible]

TAXI TATA MAGIC অমা য়োঞ্জরি

TAXI TATA MAGIC অমা য়োঞ্জরি। লৈবীনিংবশিংনা মখাগী ফোন নম্বর অসিদা কন্টেক তৌবীরকউ।

Contact No.: ☎ **8794019127**

HL-P/2094/5

ꯈꯣꯡ ꯍꯥꯝꯕ/খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা শংবদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হান্নগসু খজিক খজিক্তা হাম্বা, শেংনা হামদোকপা য়াদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎলগা লৈবা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা শংবদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হান্নগসু খজিক খজিক্তা হাম্বা, শেংনা হামদোকপা য়াদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎলগা লৈবা, থজিন শৌগৎপা, অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্তৎচবা, অমাঙথোং মনাক্তা ফুরি মকুপ মকুপ শৌরগা নাই চারকপা, খোঙ হাম্বদা অমাঙথোং খুজিল্লগা খোঙ হাম্বগী শংবদা য়াম্না নাবা অমদি অমাংবদু লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, খুৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননিংবগী ৱাখল ইরৈ লৈরক্তবা, খ্বাঙ নাবা, য়াঙলেন শরুদা চিকপা নাবা, ঙকশম মরি অমদি লেংজুম অনিমক চিকপা নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, তাং-তাং চিকপা, খুৎ খোঙ শিথবগুম ইপং পংশিনবা, ইফা ফাজিনবা, খুকউ, তাং চিকপা নাবা তৌরম্বশিং অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/ 9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

থাগৎচরিবা : **TH. SOMORJIT**
Pangei

HL-P/2041/5

NHPC LTD. RETIRED EMPLOYEES WELFARE ASSOCIATION

Loktak Power Station, Manipur-795126
H.Q.: *Ningthoukhong-14, Bishnupur District, Manipur*
Regd. No: 89 of 2011

Ref. No. NHPC/REWA/ *Date : 04/09/2018*

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

তাং ০৪/০৯/২০১৮ ইং

Notice অসিনা মরম ওইদুনা NHPC Ltd. দগী Retired ওইখ্রবা Employees (Officers & Officials) লোইন-লোইননা হৌজিক হৌজিক থবক তৌবিরিবশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি, লাক্লিবা তাং ৯/০৯/২০১৮ ইংগী (নোংমাইজিং) অয়ুক পুং ৯-৩০ তাবা মতমদা Association অসিগী Special General Body Meeting অমা Community Hall, Ningthoukhong Ward No. 14 দা চাক্লেনগা লোয়নননা তৌজগনি। মীটিং অসিদা পুন্নমক্লা মতম চানা লাকপীদুনা মপুং ফাহনবীরনবা খঙহঞ্জরি। মীটিং লাকপীবদা মখাগী চে-চাংশিংসি পুবিরক্লবসু খঙহঞ্জরি।

1) Passport size photograph 2 copies.
2) লুপা ৪০০/- (লুপা ২০০/- না চাক্লেনগী অদুগা লুপা ২০০/- না Assn. fee)

এজেন্দা ঃ- 1. Reshuffle of existing executive body.
2. পেন্সন (EPS-1995) revision গী খন্নবা।
3. অতৈ-অতৈ।

Note:- মখাগী নম্বরশিং অসিদা তাং ৭/০৯/২০১৮ ফাওবগী মনুংদা কন্টেক তৌবীয়ু। ☎ **8837283671, 7005161166 & 9856116637**

Sd/- **L. Biramani Singh**
General Secretary, NHPC Ltd.
Retired Employees Welfare Association

HL-P/2092/5



CAS Foundation

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE

CLASS XII, XI & X

SPECIAL FEATURES:

1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. orcinted test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.

CAS
8th Position
LANCHENBA OINAM
HSLC Exam.2018; 94% (Man.E.M.Sc.,S.Sc.Hm)
19th Position
DEEPAK OINAM
HSLC Exam.2018; 92% (Man.E.M.Sc.,S.Sc.Hm)
ROHIT KHUMUKCHAM
HSLC Exam.2018; 75.8% (Man, M, Sc.)
MAIBAM STEPHEN
HSLC Exam.2018; 74.5% (Man, M)
LUNGINMANG HAOKIP
HSLC Exam.2018; 72.6% (MIL, E)

Classes for new last batches starts from 10th Sept. 2018

Seats are limited First come First Served

Facility of:- #Morning Batch # Evening Batch

For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/4822/30/8-30/9

**OFFICE OF THE
MANIPUR URBAN DEVELOPMENT AGENCY
PDA COMPLEX, NORTH AOC, IMPHAL**

NOTIFICATION

Imphal, the 4th September, 2018

No.1/28/2018-MUDA: On the basis of the result of the written examination for recruitment to the post for establishment of State Level Technical Cell (SLTC) and City Level Technical Cell (CLTC) under Pradhan Mantri Awas Yojana – Housing for All (Urban), which was conducted on 15.07.2018, the following candidates are hereby declared qualified for interview:

(Roll Numbers not in order of Merit)

A. State Level Technical Cell (SLTC)

i. Town Planning Specialist:

00020

ii. Social Development Specialist:

00022	00023	00024	00027	00031

iii. IEC / Knowledge Management Specialist:

00007	00009	00011	00012	00014

iv. MIS Specialist:

00034	00044	00049	00056	00354

v. Municipal Civil Engineer:

00177	00208	00221	00226	00350

B. City Level Technical Cell (CLTC)

i. MIS Specialist:

00034	00041	00044	00049	00056
00065	00068	00076	00081	00083
00092	00098	00100	00101	00112
00114	00119	00125	00127	00128
00135	00141	00142	00148	00151
00353	00354			

ii. Municipal Civil Engineer:

00157	00164	00165	00166	00170
00171	00172	00176	00177	00186
00197	00208	00220	00221	00226
00228	00235	00237	00246	00251
00255	00265	00267	00276	00278
00295	00304	00323	00337	00338
00342	00350			

2. The interview will start from 13:00 hrs of 13th September, 2018 as per schedule annexed.

3. The candidate should report at City Convention Centre, Palace Gate, Imphal for interview before 1 hr of the schedule time along with their original documents.

Sd/- N. Gitkumar Singh
Member Secretary,
Manipur Urban Development Agency
(MUDA), Imphal

Annexure

Schedule of Interview for recruitment to the post for establishment of State Level Technical Cell (SLTC) and City Level Technical Cell (CLTC) under Pradhan Mantri Awas Yojana – Housing for All (Urban) at City Convention Centre, Palace Compound, Imphal.

Sl. No.	Name of the Post	Date of Interview
1	Town Planning Specialist	13.09.2018 (13:00 hrs – 17:00 hrs)
2	Social Development Specialist	
3	MIS Specialist - SLTC	
4	MIS Specialist - CLTC	
5	IEC/Knowledge Management Specialist	14.09.2018 (11:00 hrs – 17:00 hrs)
6	Municipal Civil Engineer – SLTC	
7	Municipal Civil Engineer – CLTC	

HL-P/5331/5